# কলাগী খোঙচত্তা মাইৎ পাক্লা চংশিনলিবা-মীসাইল খুমন



অযুক অমদনি উরিপোক্তা লৈবা এঞ্জেলস ষ্টুদিওদা থিয়েটর আর্টিষ্ট অমসু ওইবা ম্যুজিক্সিয়ান, ওদিওগ্রাফর, সিঙ্গর অমদি লম কয়াদা মায়পাক্লা শরুক য়ারিবা মীশাইল খুমনগা উনখিবা। মমাংদা ফিল্মগী মীওই অমনা তম্লকপদগী মমিংদি তাখ্রে। অদুমকপু উন্নখিবদি লৈখিদ্রি। মশাদা পোংথোক চাওথোকপা য়াওদবা, ইচম-চম্না, ইচিল-ইনাও অমগুম মীৎকুপ খরদং ফম্মীন্নবা অদুদা মতাং চানা ঈশৈ মতেক অমা অনীসু অদুম হেক ঙংই। মদুনা মহাক তশেংনা খোঞ্জেল চুম্মী, শুর, লোই খংবা শৈশকপা অমদি ওইরে হায়বদা লায়না থোকই।

লিলোং চজিং, কোঞ্জেং লৈকায়দগী মীশাইল খুমন লৈখিদ্রবা ঐচ রোবি অমদি ঐচ ওংবী অচৌবী লৈমগী মচা অনী পোকপগী অহল নি। মহৈ মশিংদসু সাইন্স গ্রেদুয়েট নি। লোয়ননা গুৱাহাটি দা লৈবা স্কুল ওফ ওদিওগ্রাফি দা মাষ্টরিং কোর্স ইন ওদিটেক ( টু এয়র কোর্স) লোয়ননা ইএমএমআরসি গী ওদিওগ্রাফি গী কোর্স তসু শরুক য়ারকখ্রে। অমদি মণিপুর ফিল্ম ইন্সষ্টিটুট, পাওনা বজারদগী ষ্টিল অমদি মুভি ফোতোগ্রাফি দা দিপ্লোমানি। ঈশৈগী শুর, ম্যুজিক্কী ইপাক অমদা তাওদুনা য়াম্না নৌরিঙৈ মতমদগী লাকখিবা মীসাইল খুমনগী মংলানগী ওইবা ঈপাক অমদা তাওদুনা লাকখিবদু ঈশৈবু পামজবশিংগী মফমদা অমুক পনলুদ্রসু য়ারবা জিংগম কামৈগা থেংনরুবদগী অওনবা অমা লাকখি। গিলটর দা ঙাওজদুনা গিলটর তম্বা লাকখিবা মীসাইল গী খোঞ্জেল তারুবদা জিংগম কামৈনা মীসাইল খুমনবু ৱেষ্টর্ন সোং গী ভোকেলিষ্ট অমা ওইনবা লমজিং লমতাক্তুনা লম অসিদা চংশিন্দুনা জি -স্মুথ, হার্ট ব্রেকর, য়ুফোরিয়া নচিংবা বেন্দ কয়াদা মথং মথং য়াওরকখি। লম অমখক্তদা পেন্থোকপা লৈত্তবা মখল মখা গী কলাগী লমদা খোঙদবা পাম্বা মীসাইল খুমননা য়াইস্কুল চিংঙাখম লৈরক্তা লৈবা ম্যুজিক দাইরেক্টর আর কে বিরেন্দ্রজিৎ কী মনাক্তা ওদিও দিজাইনর অমা ওইনা মতম শাংনা লৈরকখি। লোয়ন-লোয়ননা থিয়েটর গুরু শিংগী মতুং ইনদুনা থিয়েটর আর্টিষ্ট অমদি ম্যুজিক্সিয়ান অমা ওইনসু শরুক য়ারকখি।

চজিং দেভেন, ওঝা জয় নচিংবা গুরুশিংগী মখাদা দিল রিপেরেতরি থিয়েটর, পৃথিবী থিয়েটর নচিংবদা শরুক য়াদুনা অসাম নচিংবা মণিপুরগী ৱাংমদা পাঙথোকপা ফেষ্টিভেল দসু শরুক য়ারুরে।

মীসাইল গী মশাদা তোপ-তোপ্পা অমা হায়বা তারগদি মশামক্লা পায়বা ঙমদবা ম্যুজিকেল ইন্সষ্ট্রুমেন্ট ওইরগসু মচিলদা ঙংদুনা ইন্সষ্ট্রুমেন্টেলিষ্ট অদুনা ইরায় লায়না পুথোকহনবা

## ঐচ রাজেস

অসিনি। লোয়ননা পাইরক্কী লৌশিং লৈবা কলাকার অমসু ওইরি।

মখল-মথেলগী ওইবা মীসাইল খুমন গী কলাগী খোঙচৎত্তা লেপ্পা লৈত্তনা ৱেষ্টর্ন



সোংগী শৈশকপা অমা ওইনা থিয়েটর আর্টিষ্ট অমা ওই। লোয়ননা ওদিও দিজাইনর, ফিল্মগী প্লে বেক সিঙ্গর, মুজিক দাইরেক্টর অমা ওইনসু খোঙ থাংজিনবা হৌরকখি।

মণিপুরী ফিচর ফিল্ম-রাজকুমারি হাউস কী তম্নলাই নচিংবা ফিল্ম খরদা ম্যুজিক দাইরেক্টর অমা ওইনা খোঙদাবা হৌরকখি। লোয়ননা ফিল্ম মেকর জিতেন্দ্র নিংঙোম্বা না দাইরেক্টর ওইবা মণিপুরী ফিচর ফিল্ম ''নুংশিবী কবো ভেলি'' হায়রিবা ফিল্ম অসিদা সাপোর্টিং এক্টর অমা ওইনা শরুক য়াখিবগা লোয়ননা ফিল্ম অসিগী মীয়াম্না য়াম্না পাম্নখিবা টাইটল সোংগী শৈশকপা অমসু ওইখি।

শক্লোন য়াম্না য়াম্বা নহা ওইরিবা কলাকার অসিগী হনবা লৈতবা থৌনানা ইং শোক ২০১৭ তা মণিপুর ষ্টেট ফিল্ম দিভলপমেন্ট সোসাইটিদা পাঙথোকখিবা ফিল্ম ফেষ্টিভেল দা বেষ্ট ম্যুজিক দাইরেক্টর গী মনা ফংবা ঙমখি। অকা-অকুম নাইবা পুন্সি খোঙচত্তা থেংনবা পুন্সিগী ওইবা খুদোংচাদবা খরনা মরম ওইদুনা খোংজেল য়াঙনা চেনলম্বা কলাকার অসিগী কলাগী খোঙচত্তা অপনবা ওইখি।

মতম শাংনা লেপ্পুরবা তুংদা পামজনা হৌরকখিবা কলাগী অওনবা শক্লোন অমগা লোয়ননা সোর্ট ফিল্ম মেকর অমা ওইনা অমুক মশাগী কৈশাম্পাৎতা লৈরম্বা ''পান্থৌ দিজি মেদিয়া-এয়ু প্রদক্সন হাউস'' হায়রিবা বেন্নর অসিগী মখাদা ''তাঞ্জা'' হায়না মীংথোনবা মিনট ১০ শাংবা সোর্ট ফিল্ম অমা মশামক্লা এক্টর, ওদিওগ্রাফর, ম্যুজিক দাইরেক্টর অমা ওইদুনা মাগী লোইনবী মৈস্নাম বিদ্যাপাটি দেবী না কন্সেপ্ট অমদি প্রদ্যুসর ওইরি। ফিল্ম অসিগী দাইরেক্টরনা কে ঐচ গুনিন্দ্রো না ওইরিবা ফিল্ম অসিদা মণিপুরী ফিল্মগী শক্লাইরিবা তোম্থোই, গ্যানেশ্বরি, বিনোদকুমার, বোবি, রুসিকা নচিংবনা শক্তম লাংলি। ঐচআইভিগা লোয়ননা হিংলিবী মমা অমগা পোকপদা ঙাইরিবা মচা অমাগগী মরীদা য়ুমফম ওইদুনা পুথোক্কদৌরিবা



সোর্ট ফিল্ম অসিগী মতুং তারকপদা লেপ্পা লৈতনা ফিল্ম মেকর অমা ওইবগী লম্বীদা খোঙ থাংজিন্নবা শেম শারি।

য়াম্না নহা ওইরিবা কলাগী পুজারি অসিনা মঙলান কয়া নীংবা থুংদ-থুংদনা লোইশিনবসু কোঙ্গাইনি। মসিগীসু মথক্তা লমদম অসিদা কলা তৌজরিবশিংগী মরাইবক য়াম্নমক পুক্লিং নুংশিনিঙাই ওইরি। অসিগুম্বা ফিভম অসিদা ইচং



মঙলি। অদুবু পুন্সি হায়বা অসিদা কনাসু মপুং ফানা নিংবা থুংখিবা লৈত্তে। খরামখৈদি থৌনা চোংথোরক্লিবা কলাকার অসিগী মঙলান শোইদনা মঙফাওনবা ওইরসনু !

## ষ্টেটকী থাক্ত শান্নবগী পাউদম

## ২৮শুবা ওল মণিপুর সুট্টিং কম্পিটিসন হৌদোকখ্রে

ইম্ফাল, জুন ০৯ঃ

মণিপুর রাইফলস এসোসিয়েসনননা শীন্দুনা ২৮শুবা ওল মণিপুর সুট্টিং কম্পিটিসন খুমন লম্পাক সুট্টিং রেঞ্জদা ঙসি হৌদোকখ্রে।

কম্পিটিসন অসিদা তোঙান তোঙানবা য়ুনিট ৪ ব্লোসম স্কুল, ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট রাইফল এসোসিয়েসন, ইম্ফাল ৱেষ্ট অমসুং মণিপুর রাইফলস এসোসিয়েসনদগী পুন্না সুট্টর ১২৮ না শরুক য়ারি।

পুন্না মেটচ ৭৩ শান্নগদবা কম্পিটিসন অসিদা খ্বাইদগী অঙাং ওইবা সুট্টর অনীনা নুপাগীদা কবির কবিব চহি ৬ অমসুং নুপীমচাগীদা কে ঐচ গোলদি চহি ১০ অনীনা শরুক য়ারি। অদুগা অহল ওইরবা নুপী সুট্টর লাইশ্রম খেরোদা চহি ৫৮ অমসুং নুপাগীদা কাঙবম সরত চহি ৬৩ অনীনা শরুক য়ারি।



হৌদোকপগী থৌরমদা তামৈ কন্সটিট্যুসন্সিগী এমএলএ অৱাংবৌ ন্যুমাই, সেনিয়র এদভোকেট হুইরেম ইশ্বরলাল অমসুং মণিপুর রাইফলস এসোসিয়েসনগী এদভাইজর কৃষ্ণমোহোন সিংহ না মথংশিংনা অথোইবা মীথুংলেন, অখন্নবা মীথুংলেন অমসুং থৌরম মপু ওইনা শরুক য়াখি।

হৌদোকপগী থৌরমদা মীথুংলেন ওইখিবা অৱাংবৌ ন্যুমাইনা ফোঙদোকখিবদা ষ্টেট অসিদা শান্ন-খোৎনবগী ফেসিলিটিশিং অতোপ্পা ষ্টেটশিংগা চাংদম্নবদা তাজরবসু লমদম অসিগী শান্নরোইশিংগী হৈথোই শিংথোইবনা ইরাই লায়না খুদুম চনবা ঙম্লি।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা লমদম অসিদা স্পোর্টসপু চাওখৎনবগীদমক সরকার খক্তা নত্তনা স্পোর্টসপু নুংশিবশিংগী ইনপুট য়াম্না দরকার তারি।

পনবা য়াবদি ঙসি হৌদোক্লিবা কম্পিটিসন অসি থা অসিগী ১৭ ফাওবা চত্থগনি।

## এনৱাইটিঐচসি ওক্রম চুথেক্লা ৫শুবা থোংজু ক্লব টুর্নামেন্টকী মপু ওইখ্রে

ইম্ফাল, জুন ০৯ঃ

নহারোল য়াইফ থৌরাং ক্লব ওক্রম চুথেক্লা বাসিখোঙ পোপুলর য়ুঠ ক্লবপু পাঞ্জল ৩-১ দা মায়থিবা পীরদুনা ৫শুবা থোঙজু ক্লব ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ৱিন্নর ওইবা ঙমখ্রে।



সোসিয়েল ৱার্কর কংগ্রেস খোঙমননা অহুমশুবা পোজিসন তাবা ঙমখ্রে।

ৱিন্নর ওইখ্রবা এনৱাইটিঐচসিনা ত্রোফিগা লোয়ননা শেল ওইনা লুপা লিশিং ৩০ ফঙখি।

ঙসি এসদব্লিউসি গ্রাউন্দা শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা এনৱাইটিঐচ সিনা বিপিৱাইসিবু পাঞ্জল ৩-১ দা মায়থিবা পীখি।

ওক্রম চুথেক্কী মায় পাকপগী গোলশিং অদু ঐচ মালেমঙাম্বা, কে প্রেমজিৎ অমসুং ও কে দুংদুংনা চনবা ঙমখি।

অদুগা বিপিৱাইসিগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদুনা এম উসাবন্তনা চনখিবনি।

অতোপ্পা ঙসি শান্নখিবা অহুমশুবা পোজিসনগী মেটচতা এস দব্লিউ সি খোঙমননা ৱিলকো কোংবা বজারবু পাঞ্জল ৩-১ দা মায়থিবা পীখি।

ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেটচ অসিগী বেষ্ট প্লেয়রগী মনা ৱিন্নর টিমগী ওক্রম অজয়না ফঙবা ঙমখি। টিম অসিমক্কী শান্নরোই অনী ও কে অতোম্বনা বেষ্ট প্লেয়র ওফ দি টুর্নামেন্ট, কে বঙ্কিম না বেষ্ট দিফেন্দরগী মনাশিং ফঙখি।

নিংশিংবা য়াবদি থোঙজু কেন্দ্র য়ুনাইটেদ ক্লব এসোসিয়েসনননা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা টুর্নামেন্ট অসিদা টিম ১৪ না শরুক য়াখিবনি।

## এল এল পি কে মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, জুন ০৯ঃ

এপিয়ুসিও পোইরৌখোংজিননা শীন্দুনা চত্থরক্লিবা ৬শুবা টিঐচ শ্যামকুমার ইনভাইটেসন কেস প্রাইজ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অদুদা এল এল পি কে না এ ঐচ ৱাই দি ও বু পাঞ্জল ৪-০ দা মায়থিবা পীখ্রে।

মায় পাকপগী গোলশিং অদু রুবেন কৈশিং, রোমেস শিংলৈ , জেনিয়াস মশাংবা অমসুং জুলিয়েন কৈশিংনা চনবা ঙমখি।

## সিমরোপিয়া এফসি সেমি ফাইনেল চঙখ্রে

ইম্ফাল, জুন ০৯ঃ লমকা পব্লিক গ্রাউন্দা চত্থরক্লিবা রাজা গৌখোথাং গুইতে নিংশিং ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা সিমরোপিয়া এফসিনা লম্কা স্পোর্টস ক্লবপু ২-০ দা মায়থিবা পীরন্নগা সেমি ফাইনেল চঙখ্রে।

## থাং-তা এসোসিয়েসন মাক্লংনা গোল ২৩ লৌখ্রে



ইম্ফাল, জুন ০৯ঃ

মাকলং কম্মুনিটি হোলদা চত্থরিবা ১২শুবা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট থাং-তা কম্পিটিসনগী ঙসি নিনি শুবা নুমিৎতা মৈতৈ নোংশা লালোং থাং-তা এন্দ কলচরেল এসোসিয়েসন মাকলং ব্রাঞ্চনা পুন্না গোল্ড মেডল ২৩ তোঙান তোঙানবা কেতেগোরিশিংগী নুপী অমদি নুপাগী কাংলুপ্তা লৌবা ঙমখ্রে।

হুয়েল লালোং থাং-তা এসোসিয়েসন য়ুম্নাম হুইদ্রোমনা গোল্ড ১২, হুয়েল লালোং থা-তা শিংজমৈনা গোল্ড ৬, কেৱাইটিটিএল লাঙ্গোলনা গোল্ড ৩, পাহুলাসি ময়াই কোইবিনা গোল্ড ২ অমসুং অজিৎকা সঙাইপ্রৌনা গোল্ড ১ লৌবা ঙমখি।

মাকলং ব্রাঞ্চকী ঙসি গোল্ড মেডল ফঙখ্রবা সব-জুনিয়র বোইজকী শান্নরোইশিং অদুদি ইবুংঙো, রোহেনজিৎ, য়াইফবা, তাইচু, রোবার্টসন, রোবেনসন, থোইথোই, রোমেস, চিংখৈঙাম্বা







Owned and Published by Longjam Shyamananda Singh at Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur and Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Acting Editor: N. Krishnamohon Singh RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, *e-mail : sanaleibaknews@yahoo.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com*